ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯏꯔꯥꯢ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯲꯲, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯳꯴ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, নবেম্বর ২২, ২০১৯, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ২৩৪শুবা মশীং

# কাঙলূপ-ফুরুপকী ৱাখল্লোন

## অপূনবা মণিপুরগীদমক অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন চেৎশিনহল্লসি

মীওইবা খুন্নাইনা মালেমসিদা হেক খুন্দারকপদগী হৌনা ঙসি ফাওবদা ঈং-তপ্পা, তংদু লৈতাবা মফম অমা ফাওবা য়াওদ্রি হায়বা য়াই। মালেমগী মফম খূদিংদা ঈং-তপ্পা লৈহন্নবা হোৎনরবসু করিগুম্বা হীরম অমা নৎত্রগা ফীভম অমনা অপনবা ওইদুনা লাক্লি। ২১শুবা চহীচা লানশিল্লকখ্রবা মতম অসিদা মালেমসিদা লৈরিবা ফুরুপ-কাঙলূপ খূদিংমক্না ঈ-নাই তানবা, হাৎনা-শুনবা, কাঙলূপকী লান কয়া থেংনদুনা অৱা-অনাগী মতৌ কয়া থেংনদুনা লাক্লরবা ঙাক্তনি। অৱাবা তাঙ্কক কয়ানা মীওইবা খুন্নাইদা লৌশিং ওইহন্দুনা ঈ-নাই তাবা পূন্সিরোলদগী লাপথোক্তুনা ঈং-তপ্পা, নুংশি-চান্নবা মফম খূদিংমক্তা লৈমিন্ননবা পাউজেল পীনরিবনি। চহী লিশীং কয়াগী মমাঙদা মীওইবা কাঙলূপশিংগী মরক্তা মীশীং য়াম্বা অমদি অচৌবা কাঙলূপশিংনা মীশীং য়ামজদবা অপিকপা কাঙলূপ-ফুরুপশিংবু মুখৎখিবা নৎত্রগা অচৌবা ফুরুপ অদুদা নমদুনা তিলহল্লগা মশাগী ওইবা মশক মাঙহনখিবা ফুরুপ কয়া অমসু মালেমসিদা লৈতবা নত্তে। মণিপুরদা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংনা লিশাং শীৎনা খুন্দামিন্নদুনা নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নরক্লি। অদুবু পূকচেল পীকপা মীওই খরনা পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা লৈখিবা অমুবা দাকফমশিংবু নৌহৌননা নীংশিংহল্লগা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা খাইবুং-খাইবুং তাননবা শিনবগী থৌওংদি হৌজিক হৌজিকমকসু লেপ্পা লৈতনা চখ্রবগী মতৌ উবা ফংলি। মসিনা মরম ওইরগা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা অমনা অমবু থাজনদবা অমদি য়েংথীনহনবা মানবা ফীভম কয়া হেক-হেক লাকহল্লকপগুম্না তৌরি। অদুম্মকপু অফবা ৱাখল্লোনশিংনা মাঙজিল থাবা মণিপুরীশিংনা মশীং য়াম্না লৈবনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা খাইবুং-খাইবুং তাননবা শিল্লিবশিংগী থবক থৌরমশিং মায় পাকপদি ঙমদে।

মণিপুর হায়বা ষ্টেট অসি কাঙলূপ-ফুরুপ অমখক্কী নত্তে, কাঙলূপ ৩০ হেনবনা পূন্না খুন্দামিন্নরিবা লমদম অমনি। মতম অমদা মীতৈনা চীংমী লৌবা, চীংমীনা মীতৈ লৌবা নৎত্রগা বামোননা মীতৈদা ময়ূম পানবা, মীতৈনা বামোনদা ময়ূম পানবদা অথিংবা লৈরম্মী। অদুবু মালেমগী লাক্লিবা অওনবশিং অসিগী মরক্তা হায়রিবা অথিংবশিং অসিসু তপ্লা-তপ্লা মাঙশিল্লকপগী মতৌ উদবা নত্তে। লৈবাক্কী ওইবা অমদি মালেমগী ওইবা লোশিংগী মতুংইন্নসু মীওইবা অমগা-অমগগী মরক্তা খেন্নবা করিসু লৈতে। মীপূম খূদিংমক চপ মান্নবা রাইট ফংফম থোকই হায়রিবনি। মণিপুর কায়রগদ্রা হায়বগী চিংনবা কয়া লাকপা অমদি য়েলহৌ ফুরুপশিংবু মাঙ-তাকহনখিবা য়াবা ফীভম কয়া লাক্লুগদ্রা হায়দুনা ঙসি লমদমসিগী মীয়াম্না ৱাখল লৈতাদনা লৈরি। লৈঙাক্লসু মীয়ামগী ৱাখল লৈতাদবা ফীভমশিং অসি কোকহনবা ঙমদে। মীয়ামগী পূক্লিং ৱাখলদা লৈতাদবা অমদি মীপাইবা পোক্লক্লিবা অসি থাজদবা অমদি পেন্দবা ৱাফম কয়াদগী হৌরকপগুম তৌরি। তোঙান-তোঙানবা ইস্যু কয়ানা থল্লবা লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা পুরকপা হায়বসিসু তরাইবা থবক অমদি নত্তে। ঙসিদগী চহী ১০ রোমগী মমাঙদা লৈরম্বা তংদু লৈতাদবা ফীভমশিং অদুদগী খরা খজিক শাফরক্তুনা ঙসিগী ফীভম অসিদা লাক্লবসু লমদম অসিগী মীয়াম্না ঈংনা-চিক্না নুংঙাইনা লৈবা ফীভম হায়বদুমক্তি ওইদ্রি। মালেমগী ফুরুপ কাঙলূপ খূদিংমক্না ঈং-তপ্পা পুরক্নবা ৱাফম কয়া থম্নরক্লবা মতম অসিদা লমদম অসিদা মীওই কাঙবু খরনা ঐগী-ঐগী ফুরুপ-কাঙলূপকী অখূবা মীৎয়েং থম্নরকপা অসি থাদোক্নবগী মতম ওইরে। পূম্নমক্না নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নসি, ঐখোয় অমত্তনি হায়না লাউরিবা খোল্লাউশিং অসি চীন্দা খক লাউবা নৎতনা থবক ওইনা ওন্থোকপগী মতম ওইরে। লমদমসিগী ওইরিবা তংদু-লৈতাদবা ফীভমশিং অসি মাঙহনখিদুনা ঈং-তপ্পা, চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরকসি হায়রবদি অপূনবা মণিপুর অমগীদমক অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন অসি ফুরুপ-কাঙলূপ খূদিংমক্না চেৎশিনহল্লসি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### সেন্ট্রেল লাইব্রেরি কনানা য়েংশিনবীরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

মণিপুরদা লৈরিবা লাইব্রেরিশিংগী মনুংদা পূম্নমক্না মীৎয়েং থম্নরিবা সেন্ট্রেল লাইব্রেরি, কৈশাম্পাৎ ইম্ফালদা লৈরিবা অসি মমাঙ মমাঙদদি মণিপুর রিদর্স ফোরম, ইম্ফালগা লোয়নদুনা অমগা অমগা তাথোক-তাশিন তৌমীন্নদুনা চৎনরম্বা অদু পূম্নমক তাইওন্নবা উরে। অহল-লমনশিংগী ঈ-পাউ পাফমদা লাইরিক পাবা চঙলক্লিবা মহৈরোয় নুপী অঙাংশিং অসিগী ওইনা তোঙানবা মফম অমা শিনবীয়ু। মসিনা মরম ওইরগা ফম্নবা চৌক্রি লৈতদুনা অহল-লমনশিং লেপ্তুনা লৈনবা য়াওরে। পাউচে পাবগা লোয়ননা ৱারী-ৱাতাই শানরকপা মতমদসু মখোয়দা নুংঙাইতবা ফাওবসু য়াই। ঈ-পাউগী নৈননীংবা কয়াসু য়াওরকপদা লাংবসু য়াওরকই। লোয়ননা মখোয়দি নহা ঙাক্তনিনা অচা-অথক পুশিল্লক্লগা চার-থক্লগা চাইখাইরম্বসু কোঙ্গাইনি। চাইরিবশিং ৱাইশিৎ-লমশেংবসু তৌবীদে, চৌকিদারনসু য়েংশিনবীদে। অদুগা অমনা হান্না লৈরম্বা চীফ লাইব্রেরিয়ননা মণিপুর রিদর্স ফোরম, ইম্ফালগা হান্না লৈবা অদুগী মথক্তা অনৌবা চৌক্রি ১০ অমগা পীবিদুনা পূন্না চৌক্রি ১৬ শুরম্বনি। অদুবু হৌজিক অনৌবা চৌক্রিশিং লৈবা ইউ-উদে, কদায়দা-কদোমদা চৎখ্রবগে? মরম অসিনা ঈ-পাউ পাফমদা লাইরিক পাবা লাকপা মহৈরোয়শিং থাজিনবীরকপা তৌবীগনু। অদুগা লোয়ননা চৌকিদারনা রিস্কো অমসুং ওটোনচিংবা পুশিল্লগা পার্ক ওইনা থমজিনবা অসিসু তৌহনবীগনু।

অরোইবদা থমজনীংলিবা অমনা, মরক-মরক্তা চীফ লাইব্রেরিয়ান্নসু লেংথোকপীরগা মীৎয়েং চঙহঞ্জনীংই। লোয়ননা মপানগী পাউচেশিংসু থমহন্নীংই, অদুগা মতম চানা পাউচেশিং পুথোকহনবীয়ু। লাইরিক পাবা লাক্লিবা মহৈরোয়শিং পাউচে পাফমদা চঙদনবা অইবা চে অমতং থেৎহনবীয়ু। অদুগা চৌক্রিশিং মশীং খঙদোকপীরগা, মফম অসিদগী চৌক্রি লৌথোক্তনবসু শিনবীয়ু।

*অদোমগী - এস চন্দ্রকুমার, শগোলবন্দ সলাম লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৮

১। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা লমদমসিগী শাংলবা নীংতম্বগী পুৱারীদু থূপচিল্লগা 'পার্ট সি ষ্টেট' অমা ওইনা চীফ কম্মিস্নর অমগী লৈঙাক্তগী নৌনা হৌবা তাখি। কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী।
(ক) ওক্টোবর ১৫দুগী মমাঙদা ওইরম্বা নীংতম্বা মণিপুরগী ইলেক্তেদ, অহানবা অমসুং অরোইবা চীফ মিনিষ্টরদু কনানো?
(খ) অদুগা ওক্টোবর ১৫দগী ওক্টোবর ১৮ ফাওবা নুমিৎ ৪নিগী চীফ কম্মিস্নর ওইরম্বা মীশক্তুনা কনানো?

২। "মীয়ামগী ফনবা অমদি নুংঙাইনবা অঙৌবা তাৎ মচা কয়া মফম মতম চানা শীজিন্নবদি কবি, উপন্যাসকার, ৱারী মখল মথেল ইবশিংনি।" ৱাফমসি 'পুন্সিদা তাৎ মচাই চন্নফম' হায়বা ৱারেংদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৩। "ঐগী মল্লবা পুন্সিগী অরোইবা অহিং - অনৌবা অয়ূকপু লাকখিদ্রা? অদুবু, অহিংনা নোংঙানবা ঙাইরি।" পরেং অসিনা 'অতিথি অমগী অহিং' কৌবা উপন্যাস অদুগী অরোইবা পরেংনি। অইবদু কনানো?

৪। "চীং নঙ/খূৎ য়াওরুনু/তুমিন্না ফম্মু/লেমজবগী হৌনশা।" পরেংশিং অসিনা অইবী অখোম য়ান্দিবালাগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "নুংশিদরা য়েংঙু/উচানগী মৈরা/কপ্লিংদরা নঙবু উরগা তোয়না।" পরেং অনী অসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খূদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# খুন্নাইদা অফবা মমাশিং পুথোক্নবগী লম্বী য়াম্না লৈরে

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

কুমসি চহীগী ওইনা নবেম্বর ১৪দা অঙাংগী নুমিৎ পাঙথোকপদা নুপীমচাশিং মহৈ তম্নবা অমদি ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবা থৌদোক লৈহন্দনবা কয়া য়াওখি। মসিমদি ফৈ হায়দবা ঙমদে। মতমসিগী নুংশিৎ শিৎলিবসিগা য়াম্না মতাং চাবা অমনি হায়নীংই।

অঙাং নুপীমচাশিং অসি করি ওইনা উবা য়াই? খুন্নাইগী তুংগী মখা ওইবী ঙাক্তনি। তুংগী য়ূম্বীরেল ঙাক্তনি। লৈবাকসিগী তুংগী য়ূম্বীরেল হায়বসি নুপামচাশিংখক্তা নত্তে, পিক্লিবা নুপীমচাশিংসুনি। নেপোলিয়ন্না হায়রম্বা - অফবা মমা অমত্তা পীয়ু মালেম খুদুম চনগে। মসিদা হায়রিবা অফবা মমা হায়রিবসিসু পিক্লিবী নুপীমচাশিংদগী ওইরক্লিবনি। মরম অদুনা লমদম খুদিংমক, খুন্নাই খুদিংমক্তা লৈরিবা পিক্লিবী নুপামচাশিং অসি তুংগী অফবা মমা অমদি তুংগী য়ূম্বীরেল ঙাক্তনি। অদু ওইরবদি ৱাফমসি অরায়বা নৎত্রে। চুম্না য়েংবদবু য়াম্না লায়না খনবনি। তশেংনমক হায়বা তারবদি য়াম্না চেকশিনগদবা থবক অমনি। অদুনদি পিক্লিবী নুপীমচাশিং অসি হীরম খুদিংমক্তা শোয়হন্দনা য়োকপা তারি। চাউবা শারেপ ফানবা য়োকপা হায়বসিদা পংয়োকপা হায়বদুদি কান্নদে। পিক্লিঙৈদগী চাউবা মপূং ফারক্লবগী মতম অদুদা থোয়দোকপা মীৎয়েং চংবিদ্রবদি তুংদা অফবা মমা হায়বদু ওইবা ঙম্লোই। অদু ওইরবদি অফবা মমা হায়বসি করিবু ওইগদৌরিবনো? মসিমক হেক হংলক্লবদি খুম্বা হেক্তা লুবজাৎনি। মচাশিংবু লুনা তৌবিবা, শাউগন্দবা, চৈগন্দবা, পিজ-পিথক ফবী অদুগুম্বা নুপী অদুবু অফবা মমা হায়বদু ওইগদৌরিবরা? মসিসু অফবা মমা অমগী মগুন অমনি হায়দবদি য়াদে। অদুবু মসিগুম্বা মগুন চেনবখক্তনদি মালেম পূম্বদা হায়নরিবা অফবা মমা হায়বদু ওইগনি হায়বা নীংদে। অফবা মমা হায়বসিদি পিক্লিবা নুপীমচাদুনা চাউরক্লবা মতুং ময়ূম পাল্লগা মচা লৈরবা মতুংদা অফবা মমা ওইরক্কদবদি নত্তে হায়নীংই। ময়ূম পান্দ্রিঙৈদা করি করম্না তুংদা অফবা মমা অমা ওইহনগদগে হায়না মখোঙ শোন্বীবা অদুনি মরু য়াম্না ওইবসি।

অফবা মমা ওইরক্লবগী লম্বীদি পিক্লিঙৈদগী হৌনা শেম্বীহৌবা নত্তনদি অতৈ লম্বী লৈতে। হৈ পাম্বী অমা মহৈ মরোং চুম্না পান্ননবা পাম্বী মচাদু লৈবাক্তা থাননবা কোম ফজনা মফম চানা তৌবা, থারবা মতুং ঈশিং চাইবিবা, অকোয়বদা হৌরকপা নাপীশিং মতম চানা শেংদোকপা, হার হাপ্পীবা, তীল তাদনবা, লায়না চংদনবা মতম মতমগী য়েংশিনবীবা মশানা তাবনি। মসি হেক তৌদবদা হৈ য়াম্না পানবা পাম্বী অদু হৈ পানবদি লায়রদুনা পাম্বী অদুমক কংশিল্লকপা মশানা তাবনি। পাম্বী অদু হৈ পানবা অফবা পাম্বীগী মমা হায়বদু ওইদ্রে। মদুদা পাল্লকপা হৈ অদুগী মরূ অদুনা অমুক হুন্দুনা চারা লৌবা মতমদা অফবা চারা, অফবা পাম্বী ওইনা হৌবা ঙমদে। শুঙ্গ্রং মাঙ্গ্রং ওইনা হৌরক্তুনা হৈদুগী চারোল শুরোলদু অফবা হায়বদু ওইগন্দে। মদুমক্লি তাইবঙ মীওইবদসু তৌরিবসে। নুপীমচাদু হেক পোক্লকপগা মী ওইনবা শেম্বী-শাবীবা অমা মথৌ তাই হায়বদি হৈ পাম্বী অদুদা লৌখিবা চেকশিন থৌরাং ময়ামদুমক লৌবা চংই। অয়াম্বা খুন্নাইদা, অয়াম্বা ফুরুপ্তা নুপীমচাশিংসি নুপামচাশিংগা মান্ননা শেম্বী শাবিবা খরা অদুম ৱাৎলি। মসি ঙসি ঙরাংতগী ৱা নত্তে, মথায় থায়না মৈহৌরোলদগীনি। নুপীনা করি তৌনগদৌরিবনো হায়বা ৱা-খল্লোন্দা পুরগা মচানুপাশিংদা ওইনা কূপ্না শেন্নবগী চাং হেনগৎলকই। মসি খুন্নাইগী চৎনবী অমা ওইদুনা লৈরকই। ফুরুপ্তুগী লাইনীং লম্বীগী মনুং চনবা অমা ওইনা চখ্রকই। অমনা ইমুং-মনুংগী শেল থুমগী ফীভম চাদবনসু ওইহল্লক্তবা নত্তে। লাইনীং লম্বী হায়বসিসু নুপীমচাশিংবু ইমুংদগী মপান থোক্লা থবক ইনখাং তৌবা ফংহন্দনবগী মচাক কয়া য়াওরকই। নুপীনা খুন্নাইগী অসিগুম্বা থবক তৌবা য়াই নৎত্রগা য়াদে হায়বা কয়া মমাঙঙৈদগী থমদুনা লাকই। মসিমকসু খুন্নাইগী চৎনবী ওইনা শেমদুনা থম্বনা নুপীশিং ইমুংদগী হেন্দোক্তনা লৈনবগী মচাক ওইরকই। নুপীশিংনা ইমুংদগী মপান থোক্তনা লৈবসিনা খুন্নাইদা অফবা মমা কয়া পুথোক্নবগী লম্বী থিংজিনখি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক্কী, খুন্নাইগী ওইবা থবক কয়া তৌরক্কদবা নুপা কয়া পোকপা ঙম্লক্তে। নুপাখক্তা নত্তে, লৈবাক্কী, খুন্নাইগী ওইবা অফবা থবক কয়া তৌরক্কদবা নুপী কয়া পোক্লক্তে। মসিদি পূম্নমক মাঙমিন্নবা হায়বদু নত্তবরা নৎত্রগনা করিনি হায়গদৌরিবনো?

পিক্লিবী নুপীমচাশিং নুপামচাশিংগুম মহৈ মশীন তম্বা চৎনহনগদবনি। মমিংতগী ওইনা নুপীমচাশিংবু স্কুল, কোলেজদা মহৈ তম্বা থাবদু তৌরোইদবনি। মতম খরা মহৈ তমহল্লগা তোক্লো হায়দুনা তোকথোকহনবা অদুগা নুপামচাবুনা অৱাংবা থাক্তা মহৈ তমহনবগী হৈনবী থাদোকপা ঙমদ্রবদি মমা-মপা, ইমুং-মনুং নুংঙাইবা ঙমদবা হায়বদু ওইগনি। মদুতা নত্তনা লমদম অদু, লৈবাক অদু, খুন্নাই অদু পূন্না য়েংবদা চাওখৎপা, নুংঙাইবা হায়বদু ওইবা ঙম্লোই। নুপীমচাশিং অসি অৱম্বা থাংবগী থবক, অকন-অথৌগী ওইবা থবক, মতম শাংনা থবক শূবা, অৱাবা থবক শূবা ঙম্লোই হায়বগী ৱাখলদা পুরগা নুপীমচাশিং মহৈ মশীন তমহন্দবা, য়ূমগী চাকথোং, ফৌশু, ফিজু-ফিজাম, অঙাং লৌবগী থবক তৌহন্দুনা থম্বসিনা খুন্নাইদা, লৈবাকসিদা ঐখোয় ইশাদা মশক্তি উদবা ফত্তবা লায়না অমনা নাহল্লবনি। অদুবু মসি ঐখোয় ইশানদি খঙজদে। অমরোমদা নুপীমচাশিংদা অহেনবা মহৈ-মশীন তম্বীবদা অহেনবা শেলগী চাদিং তৌহল্লি হায়না লৌনৈ। মদুদা চৎখিগদবা অহেনবা শেনফম অদুনা ইমুংগী অৱাৎ-অপা মেনশিনবনা হেন্না ফৈ হায়না মালেমসিদা লৈরিবা ফুরুপ, লাইনীং লম্বী অমদি খুন্নাই কয়ানা লৌনৈ। অমরোমদা মসিমদি খনবা নত্তে মদুদি মহৈ মশীনগী অৱাংবা থাক য়ৌদ্রবা, মপান থোক্তনা ইমুংদা শুজিন্দুনা লৈরবা নুপীমচাশিং অদুনা মমা অমা ওইরক্লবা মতুংদা পোক্লকপা মচাশিং অদু তিঞ্জং কায়জংদবা অফবা মরূ হায়বদু ওইরক্তে। অফবা মরূনা অফবা চারা পুথোকপা হায়বসি মশানা তাবনি। চাদা চাম্মা পুথোকপা ঙমদ্রবসু অয়াম্বা চারাদি পুথোকপা ঙম্মী। মসি খন্থবা মতম য়াম্না থেংমল্লে। মরূ চংবা নুপাখক্তনা মরূ চংবা মচা পুথোকপা য়াবা নত্তে। নুপানা মরূ ফজনা চংলবসু নুপীদুনা অহাম্বা মরূ চংবা ৱাৎপা ওইরবদি অফবা চারা নুপা ওইগেরা নৎত্রগা নুপী ওইগেরা অফবা ওইবা ঙম্লোই। নুপা নুপী অনীমক থোং চপ মান্নবা চংই।

নুপীমচাশিং মহৈ ফজনা তমহনবগী মহুত্তা চহী নৌনা ময়ূম পালহনবগী চৎনবী লৈবসি য়াম্না ফত্তবা লিচৎ অমনি। হকচাংগী কয়াৎ মপূং ফাদ্রিঙৈদা মমা অমা ওইবগী থবক হৌখ্রবদি শামুনা পুগদবা লুমখ্রবা মপোৎ অদু ইরোয়দা থোনগৎপা মতিক চাদে, পুবদা ৱানা থোক্কনি। অদুবু কনাগুম্বা মীওইশিংনদি নুপীমচাশিং অদু চহী নৌনা ময়ূম পালহনখ্রগা মখোয়গী ইমুং-মনুংদা পুবদা ৱারবা পোৎলুম অমা থাংথবদৌনা খল্লি। মশাদু তয়াঙ তয়াঙবা অমা ওইনা লৌই। নৌনা য়ূম পাল্লকপদা মশা অদু য়াম্না থুনা কেমগনি। মহাকথক্তা নত্তে, নুপা অদুসুনি। হৈজিং ফাদবা হৈ অমগী মরূ অদু লৌরগা চারা লিংনবা হোৎনবদা অৱাবা থেংনবা অমদি মরূ অদুনা হৌরবসু চারা অদু তিঞ্জং কায়জংবা, লিংথোক্লবসু নিংথিনা হৌ হায়বা য়াদবা অদুগুম্বদুনি চহী নৌরিঙৈদা য়ূম পাল্লগা পোক্লকপা মচাশিং অদুনা ওইগদৌরিবদুসু। মহৈ মশীন খজিক্তং তল্লগা নৌনা ময়ূম পালহল্লবদি নুপীমচাশিং অদু ৱাখল মপূং ফাবা ঙম্লোই। মচা লৈরবা মতুংদা অঙাং অদুনা লৈমিন্নগদৌরিবসি অয়াম্বা মতমদা মমা অদুগনি। মপাগা লৈমিন্নগদবদি মতম য়ামদে। মহৈ মশীন ৱাৎপদগী ৱাখল মপূং ফাদ্রিবা চহী নৌরিবী নুপীমচা অদুনা মহাক্লা পোক্লিবা মচা অদুদা করি তম্বীগনি হায়বা ৱাহং অসিসু থোক্লক্তবা নত্তে। চহী নৌনা ময়ূম পাল্লবনিনা মচা পোকপা য়াবগী মতম শাংনা ফংই। মসি মীওইবগী চৎনবীনি। অদুনা মচা য়াম্না পোক্লবগী তাঞ্জা অমসু ফংই। মচা য়াম্না পোকপদা নুপা অমদি নুপী অনীমক্তা লায়না কয়া লাক্লবগী লম্বী ফাৎলকই। নৌনা য়ূম পাল্লবা হায়বসি শেন্থোক লৈবা হায়বদু ওইগন্দে। শেন্থোক লৈত্রবা ইমুং-মনুং অৱাবগী অৱাবা ঙাক্তা থেংনৈ। য়ূম্বাল লম্বীদা খৎন-চৈনবা কয়া থোক্লকই। মসিগুম্বা ফীভম অসিদা অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা লায়েংনবা শেল লৈতে। অসুম্না পোক্লকপা মচাশিংদুদা অৱাবগী অচৌবা চৈথেং অমা পীগনি। ইমুং-মনুং অমদি লৈবাক খুন্নাইদা অচৌবা ৱাথোক-লান্থোক কয়া থোক্লক্লবগী মচাকসু ওইরকই। অসিগুম্বা ফীভম অসিনা অফবা মমা হায়বদু ওইবা ঙমদে। নুপাখক্তনা মরূ চংলে হায়রগা অফবা খুন্নাই ওইহনবা হায়বসি ওইথোক্তবা ৱানি। অফবা মরূ চংবা নুপা নৎত্রগা নুপী অদুনা পোক্লক্কদৌরিবা অদুদি নুপাশিংনা নত্তে, নুপীশিংননি। লাইনীং লম্বী কয়ানা নুপীমচাশিংবু য়ূমদগী মপান থোকহন্দনা লৈহনবা, চহী নৌনা য়ূম পালহনবা কয়া তৌহনবদগী কোমথোকহনবা চুম্মী। ●

# দিমোক্রেসি অমদি দিক্টেটরসিপ লৈঙাকশিংগী লুচিংবশিং

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী ৱাফম নত্তবদা, মালেম পূম্বগী ওইনা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমগী লুচিংবা অমা হায়বসি মতম লৈবা খিবিক্তা মীয়ামগী ৱা তাফম থোকই অমসুং খন্থফম থোকই। মতম পূম্নমক্তা মীয়ামগী ৱা অমা ফাওবা তাউ হায়বা য়াদবা, শুপ্নগী মহাক মশা মথন্তনা লেপচবা ৱারেপশিং খক্তনা অরোইবা ৱারেপনি হায়না চপ য়ুংনা লেপ্তুনা লৈবা লুচিংবা অমা হায়বসি দিমোক্রেসি চৎপা লৈঙাক্কী লুচিংবা অমগী মওং-মতৌ নত্তে। মহাক্লা উৎলিবদু দিক্টেটরসিপ (শুপ্নম সাসনগী থৌদৌ) চৎপা লৈঙাক্কী লুচিংবা অমগী মওং-মতৌশিং ওইফম থোকই। মহৌশানা দিক্টেটরসিপ চৎপা লৈঙাক্কী লুচিংবা অমনা কৈদৌঙৈদা খক মহাক্কী মখাদা লৈবা কলিগ অমত্তগী কম্মেন্টশিং লৌবা তৌনদে। দিক্টেটরসিপ নৎত্রগা দিমোক্রেসি হায়বসি তশেং-তশেংনা শরুক চাম্মদা চাম্মা খেন্নবা অমসুং মপূং ফানা ওন্ন-তৈনবা মায়কৈ অনীগী লৈঙাকশিংনি। লৈঙাক অনীসি মতম লৈবা খিবিক্তা মচেৎ ওইনা পূনশিন্নবা নৎত্রগা মান্ননা উবা খক ফংলোই। থৌদৌশিংসিনা লৈঙাক অনীসিগী লুচিংবশিংনা কৈদৌনুংদসু মান্নবা মচৎশিংদা চৎমিন্নবা উফম থোক্তে। উরক্লবদি, লুচিংবা অনীদুগী মনুংদা অমদি শোয়দনমক্কী লুচিংবা অমা ওইবগী লীচৎতু লান্না চৎলম্ফম থোকই। দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংনা দিক্টেটরসিপ চৎপা লৈবাক অমগী লুচিংবগী মওং-মতৌদগী শোয়দনা তোঙাল্লম্ফম থোকই।

দিমোক্রেসি হায়বা ৱাহৈসিগী ৱাহন্থোক ইন্দিয়াদা লৈবা সিটিজনশিংনা ময়েক য়াম্না শেংনা শুগায়নমক নৎত্রবসু, মীয়াম্না ঙাকচবা লৈঙাক অমগী মচৎনি হায়বসিদি অয়াম্বনা খঙনরমগনি খল্লি। দিমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক তশেংনমক য়াম্না ফজবা অমদি লৈঙাক্তুগী মখাদা লৈবা মীপূম খুদিংমক্না পাম্নফম থোকপা লৈঙাক মখল অমগী চৎন-লোনচৎশিংনি। লৈঙাক মখলসিগী মতুংইন্না, কনাগুম্বা দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমগী লৈঙাক্কী মপূং ওইবা মতিংশিং পূম্নমক্তু লৈবাক্তুদা লৈরিবা মীচম-মীয়ামদুগী খূৎতা লোইনা লৈফম থোকই। চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না, দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমগী মীয়ামদুমক্না হকথেংননা চঙদুনা লৈঙাক্কী ৱায়েল থৌদাগী চূপ্লিদুমক পায়মিন্নবদা খুদোং চারোইদবা লৈবনা, কন্সটিট্যুয়েন্সি খাইদোক্তুনা লৈঙাক পুহনবদা মতিক চাগদবা মীচম-মীয়ামগী লুচিংবা (এম এল এ) শিং, মীয়াম্না য়াবা মওংদা মেজে ারিটি বেসিসতা, ইলেক্সন তৌদুনা খলহল্লি। অসুম্না মীয়াম্না য়াদুনা খল্লক্লবা লুচিংবশিংদুনা ষ্টেট-ষ্টেটশিংদুগী লৈঙাকশিং শেম্মী অমসুং লুচিংবশিংদুনা ষ্টেটশিংদু ঙাকই। ষ্টেট-ষ্টেটশিংদুগী ওইনা এম এল এশিংদুগী মরক্তগী লুচিং-পুরেল অমমমসু খল্লি, লুচিং-পুরেলশিংদুবুনি ঐখোয়না ষ্টেট লৈঙাকশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিং হায়না কৌনরিবসি। মসিগী মতুংদা অপূনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কীদমক ষ্টেট-ষ্টেটকী মীয়াম্না কন্সটিট্যুয়েন্সি খাইদোক্তুনা ইলেক্সন পাঙথোক্লগা এম পিশিংসু খলহল্লি। এম পিশিংদুগীসু লুচিংবা অমা খল্লি, মহাক্তুবুনি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিং-পুরেল, প্রাইম মিনিষ্টর হায়রিবসি। মখোয়গী অপূনবা হাওসতুবুনা 'লোক সভা' হায়না খঙনরি। অসুম্না, ইন্দিয়াগী ষ্টেট পূম্নমক্কী মীয়াম্না হকথেংননা খনখিবা এম পিশিংদুগী মথক্তা, অমুক্সু ষ্টেটকী মীয়াম্না খনবা মীয়ামগী লুচিংবা, এম এল এশিংদুনা এম এল এশিংদুগী খূথাংদা খনবা ইন্দিয়াগী এম পিশিংগী তোঙানবা গ্রুপ অমগসু লৈ। মখোয়গী অপূনবা হাওসতুবুনা 'রাজ্য সভা' হায়না খঙনৈ। লোক সভা অমদি রাজ্য সভা অনীমক্না অনীরক থোক্লা খন্ন-নৈনরগা য়ানরবা চাওখৎ থৌরাংশিংগী খোঙথাংশিংদুতবু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ইন্দিয়া পূম্বগী চাওখৎ-থৌরাংশিং ওইনা পায়খৎলি। থৌরাংশিংসি ষ্টেট লৈঙাকশিংগী খূথাংদা থাদদুনা থবক ওইনা পাঙথোকহল্লি। থিওরি (চীন ৱারী) ওইনা নৈনবদদি কয়াগী মতিক ফজখ্রবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লৈঙাক্লোন্নো? য়েংবদা পাংদিং মান্ননা চাওখৎমিন্নরমগদবমক মাল্লি। অসিগুম্বা অপূনবগী লৈঙাক্লোনসিনি 'ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন' হায়রিবসি। সিষ্টেমসিবুনা মীয়াম্না 'দিমোক্রেসি' হায়না খঙনৈ। মালেমগী ওইনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন অমদি দিমোক্রেসিগী ৱাহন্থোকশিংসি য়েংবদা অসুক্কী মতিক ফজে হায়না থাগৎনরিবনি। অমরোমদা মীয়াম্না ঙাকচবা লৈঙাক, দিমোক্রেসি নত্তবা দিক্টেটরসিপকী লৈঙাক্লোন হায়বসিদি থায়না নিংথৌরোল হাকথক্কী, শুপ্নগী মীওই অমখক্লা নিংথৌ (লৈবাক মপু) ওইদুনা পাল্লম্বগী সিষ্টেমদুদগী থোইনা পংহোং-হোংদোকপা মান্দে। শুপ্নগী মীওই অমখক্লা লৈবাক্তুবু পূন্না ঙাকপনি। লৈঙাকপদুগী মখাদা তেংবাঙনবগীদমক, তোঙানবা বোদিশিং অমদি দিপার্টমেন্টশিং কয়ামুক থোক্লা লৈরম্বদি য়াই। তৌইগুম্বসুং পূম্নমক্তুনা কম্মেন্ট নৎত্রগা এদভাইসনচিংবা অমত্তা লৈঙাক মপুদুদা পীবা ঙম্বগী রাইট থোইনা লৈহন্দে অমসুং মতম লৈবা খিবিক্তা লুচিংবদু খক্তগী অপাম্বদা লৈঙাকই। ফীভমশিংসিগী হায়রবদি, চহী ৭০ রোম দিমোক্রেসি চৎলক্লবা ইন্দিয়ন লুচিংবশিংনা মথম্মোয় শেংনা য়েংবীরবদি, মণিপুরগুম্বা নোর্থ-ইষ্ট ষ্টেটশিংসি ইন্দিয়াগী ময়ায় থোকপা ষ্টেটশিংগা চাংদম্নবমক য়ানা চাওখৎত্রবসু নহান্না ফনা নিংথিজনা চাও-খৎহল্লম্বদি ময়ারবনি। অদুবু, নিংথিজনা চাওখৎপগী মমি মণিপুরদদি মচেৎ অমা ফাওবা তাদ্রি। পূম্নমকসিগী তেকচাক ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি ষ্টেট লৈঙাক্কী দিমোক্রেসিগী লৈঙাকপা ওইরিবা লুচিংবশিংসিনা লৌফম থোক্তবরা? ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নীংতম্লকপদগী ঙসি ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্লা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা, ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা নমদুনা চনহন্দুনা লাকখিবা নত্তবরা? ফীভমশিংসিদা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা দিমোক্রেসিগী মতিক চাবা ৱাহন্থোক মপূং ফানা খঙবীবা মতিক চাবা দিমোক্রেসিগী লুচিংবশিং ওইবিরম্বা থোক্লবদি ঙসিগী মণিপুর মতৌ অসুম্না লৈরমখিদ্রা? ঐখোয়গী লুচিংবশিং, মশানা দিমোক্রেসিগী লুচিংবশিং ওইজরবসু মথম্মোয়নুংদা দিক্টেটরসিপকী ৱাখল্লোন অমমমদি অদুমক লোয়নবগুম উনরি।

অচৌ-অচৌবা চীংলোন মাপন্না কোয়শিনবনা মণিপুরগী অশেংবা শক্তম ইন্দিয়া লৈঙাক্লা য়াম্না ময়েক শেংনা উবা ঙমদে হায়নরিবসি চুল্লম্বা য়াই। লমদমসিগী চহী লিশীং অনী হেল্লবা পুৱারী লৈ হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা খক থাজবা ঙমদবগুম তৌরি। ৱাফমসি মখোয়না ফাগি-গুম্না হেক-হেক লৌবগুমসু উনরি। ৱাফমসিমক কৈদৌঙৈদসু খক ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিংগী মনাকোংদা চঙহনবা ঙমদ্রিবা মাল্লি। মণিপুরগী মেজর ইন্দিজিনস পিপলস গ্রুপ হায়রগা খঙনরিবসি, লমদমসিগী চীংবুরোই-তম্বুরোই (চীংমী-তম্মী) কাঙলূপ অনীসিনি। কাঙলূপ অনীমকসি, চহী লিশীং অনী হেল্লবা পুৱারীগী মতমদুদগী হৌরগা ঙসি ফাওবদা, লোয়নদুনা অদুমক হিংমিন্নরক্লিবনি। চহী লিশীং অনী হিংমিন্নরকপদা নোংমতসু শেৎন-খায়নবগী ৱাফম অমা ফাওবা ফোঙদোক্লবা লৈরকত্রগা, হৌজিক খক্তদা এন এস সী এন (আই-এম) গী লুচিংবা ইশাক মুইভাগী হাকথক্তা, তোখায়-তোখায়হন্নবা শিল্লকপগী থৌওংসি মণিপুরগী চীংমী-তম্মী অনীমক্লা পূন্না য়ামীন্নদবা হায়বসি মশানা তাবনি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু, মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমসি খক কায়হন্দবা চুমগনি। কায়নবা হোৎনবদদি মতম খক চঙলোই, চীংমী-তম্মী অনীগী অপূনবগী শক্তমদু শাগৎলকপদদি পুৱারীগী শাংলবা মতম মশাং অমা চঙখ্রবনি। হৌজিক্তা করিগী তোখায়নবগী ৱাখল্লোন্নো? হীরমসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ইন্টরেষ্ট ঙক্তবা ঙমদে। হান্না পূন্না লৈজরম্বা, পুৱারী লৈবা লমদম অমবু তোখায়-তোখায় তাহনগনি হায়বা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ৱাখল্লোনসিদা মশাগী ওইজনবগী লম্বী অমদি শোয়দনমক্কী য়াওরমগনি খল্লি। বৃটিশ লৈঙাক্কী মখাদা চহী কয়া চূপ্না মনাই-মশনশিং ওইদুনা লেল্লক্লবা ইন্দিয়া লৈঙাকনি। বৃটিশ লৈঙাক্কী ফোর্মুলা, - "য়েক্লবশিংবু মচেৎ-মচেৎ ওইনা, তোখায়-তোখায়না লান্থেংনরবদি খুদুম চনবা য়াদে, লায়না থোকই" হায়বা মৈতৈ ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা বৃটিশকী ফিরিঙ্গী লৌশিং হায়নবা ৱাফমদুমক শোয়দনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কাউরমখিরোই খল্লি। ঐখোয় হেক তোঙান্নখিবদা, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঐখোয়বু তোঙান-তোঙান, ওইহন্নীংবা মওংদা ওইহন্নবা শিনখিবদা শোয়দনমক্কী লায়না থোক্কনি। ৱাফমসি পিক্লিবা অঙাং অমনা ফাওবা ইরায়-লায়না ৱাখল তাবা ঙল্লমগনি। ঐখোয় থৌরাং অমা নৎত্রগা অমনা, ইরমদমগী অপূনবগী ৱাখল্লোন অমদি শক্তম কায়হন্দনবা হোৎনবনা তুংদা শোয়দনা য়াইফরক্কনিসু নীংই।

অরোইবা ওইনা, ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা লৈবাক মীয়ামদা চমম্নবা পোকহনবা য়াবা থৌদৌশিং খক তৌহঞ্জনীংদে। পাক চাউরবা ইন্দিয়াগী চিদাইদা লৈবা ষ্টেটশিং মরুওইনা, নোর্থ-ইষ্ট ষ্টেটশিংগী চয়েৎনবশিং লাকপদা নাকল অমত্তগী ওইবা মীৎয়েংদা খক য়েংহন্নীংদে। নাকল অনীমক্কী ওইবা রিপোর্টশিং মপূং ফানা লৌখৎহন্নীংই, মরমদি নাকল অমত্তগী ওইবা রিপোর্টশিং হঞ্জিন-হঞ্জিন তারগা চখ্ররকপা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ৱায়েলনা মতম পূম্নমক্তা অতোপ্পা নাকলদুদা মশীং থিঙমদবা চমম্নবশিং পোকহল্লি। খূবাক নাম্মতা খুবনা কৈদৌনুংদা খক, খূবাক খুবগী খোঞ্জেল অমা ফাওবা থোকহল্লকপা ঙম্লোই। মণিপুরদা হৌজিক মীয়াম্না চমম্নবা পোক্লিবা ৱাফমশিং, নাগা পিছ টোক্কীবু ওইরো নৎত্রগা কেব চৎনহনবগী মতাংদবু ওইরো, চমম্নবা পোক্তবা হীরম অমত্তা ফাওবা লৈশিল্লকত্রে। পিছ টোক্কী ৱারীদা ফাইনেল এগ্রীমেন্ট তশেংনা লোইশিন্নখ্রবা পোৎলা নৎত্রগা লোইশিন্নদ্রিবা, শেমদোক-শেমজিন য়ারিবা অমরা? মণিপুরদা তশেং-তশেংনা মণিপুর লৈঙাক্লা ফোঙদোক্লিবা, নাগা পিছ টোক অমদি কেবনা মণিপুরগী হীরমশিং অমত্তদা খক শোকহল্লোই হায়রিবা ৱাফমশিং কদাই ফাওবা চুল্লমগদৌরিবনো? খনবদা ৱায়।...। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।